# ঙসিদগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্তবা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংলগনি : হিমন্ত বিস্ব

গুৱাহাটি, জন্যুৱারি ১৪ (এজেন্সী) :
কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নরক্লিবা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অচৌবা ষ্টেট অমা ওইরিবা অসামদা চহী অসি হৌগৎলকপদগী লায়না অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাকখিবগা ইরোয়ননা ওমিক্রোন ভেরিএন্টশিংনা নাহল্লবা মীওইশিংসু য়াওশিল্লকপগা ইরোয়ননা নৌহৌননা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না হয়েংদগী হৌরদুনা অসামগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই অমত্তা পব্লিক প্লেসশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ঙসি গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসামদা নৌনা থেংনবা কোভিদ-১৯গী কেস পূম্নমক ওমিক্রোন ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়রদুনা হান্নদগী ষ্টেট অসিদা নুমিদাং পুং ১১.৩০দগী অয়ূক পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লম্বা অদুসু নৌহৌনা শেমদোক্তুনা হয়েংদগী নুমিদাংগী কর্ফিয়ুগী মতম অসি নুমিদাং পুং ১০দগী হৌরগনি হায়রি।

মীয়াম তিনবা মফমশিংগী মনুংদা হোটেল, রেষ্টুরেন্ট, সিনেমা হোল, লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমদি মোলশিংদা শুপ্নতগী কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ শুনা কাপথোল্লবা মীওই খক্তমক চঙবা য়াহল্লগনি। অদুগা কোভিদ ভেকিসন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংনা চঙথোক চঙশিন তৌবদা অয়াবা পীগদবা মফমনা শুপ্নতগী হোস্পিটালশিংদনি হায়রি। কোভিদ ভেক্সিনগী দোজ শুনা কাপথোল্লবা মীওইশিংনা মথক্তা পল্লিবা মীয়াম তিনবা মফমশিং অসিদা চঙগে হায়রবদি কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবগী সর্টিফিকেট উৎকদবনি। হায়রিবা মখল অসিগী কর্ফিয়ু অসি হয়েংদগী অসামদা চৎনরগনি। লোয়ননা অনৌবা শেমদোক্লবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংদা চৎনহনগদবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি অসামগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন য়াওনা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না পাউতাক পীখি।

ঙসি লাউথোক্লিবা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা মোল নৎত্রগা হোটেলনচিংবা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিং চঙহল্লল্লবদি মপুশিংনা লুপা লিশীং ২৫ ফাওবগী ফাইন পীগদবনি হায়খি।

# মেঘালায়া বি জে পি মনুংদসু দিসিদেন্ট লৈতবা নত্তে : মৌরি

শিল্লোং, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
মেঘালায়াগী বি জে পি মনুংদা দিসিদেন্ট লৈরবসু হৌজিক খৎনবগী মতম নত্তে মদুগী মহুৎতা মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা সীট মশীং য়াম্না হেন্না ফংনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নগদবনি হায়না মেঘালায়া বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট অর্নেস মৌরিনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়রদুনা মেঘালায়াগী ষ্টেট বি জে পি মনুংদা মোত খেন্নবা কয়া লৈবদগী দিসিদেন্ট গ্রুপ লৈরবসু হৌজিক ঐখোয় মশেল অমগা-অমগা মুক্নবগী মতম নত্তে, পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা সীট মশীং হেন্না ফংনবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈবদু ফোঙদোকখি।

দিসিদেন্ট খরগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখ্রে খরা অমনা অতোপ্পা পার্টিদা য়াওখিবগা লোয়ননা দিসিদেন্ট কে সী বোরোনা কোঙ্গ্রেসতা য়াওখ্রে। মরকসিদা মহাকপুসু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোক্নবা কন্না হোৎনবসু লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

পার্টি মেম্বরশিংগী অপাম-পামদা পূম্নমক খন্ননবগী থোঙ লাউনা হাংদুনা মতম পূম্নমক্তা থল্লি। অদুবু মখোয়না পার্টি মনুংগী ওইবা ৱাফম কয়া মীদিয়াদা ফোঙদোকপসি লাইবক থীবনি হায়রি। থা ৫ তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা পার্টি প্রসিদেন্ট মৌরিবু লৌথোক্নবা দিসিদেন্ট গ্রুপনা অমুক ইনৌ নৌনা হোৎনরে হায়বসি মেঘালায়াগী ইন-চার্জ বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এম চুবা আওনসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

নোর্থ গারো হিলস কম্মিটিদগী বি জে পি লীদর ১৫ পার্টি মনুংদা য়ানরক্তবদগী রিজাইন তৌখ্রে হায়না মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা পার্টিসিগী মচীন চৎপা মীওই অমনসু ফোঙদোকখি।

# অসামদা এগ্রি কম্মিসন লিংখৎখ্রে



গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা কোলেজ ওফ এগ্রি ফোরেষ্ট্রি এন্দ বাইওদাইভর্সিটি অমসুং বেঙ্গল ফ্লোরিকান কঞ্জার্ভেসন, রিসর্ছ এন্দ ইকো টুরিজম ষ্টেট অমা লিংখৎনবগীদমক বক্সা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফম নাবা দিহিরাদা হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

হায়রিবা উরেপ-উয়ুং তম্বগী প্রোগ্রাম অসিদা ২০২১-২২ এম জি এন আর ঈ জি এ ফন্দগী মখাদা শাবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১০৭ অমগসু শঙ্গাখি।

ফার্মরশিংগী লৌর্ড-শিংউ পোত্থোক অমদি ইনকম হেনগৎহন্নবগীদমক্তা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট অমদি এক্সপর্টশিং তান্নরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়াম্না থুনা এগ্রিকলচর কম্মিসন অমা লিংখৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কোকোলাবারি এগ্রি ফার্ম অসি মমাংঙৈদগী মমিং লৈরবা ফার্ম অমনি। হৌজিক-হৌজিকসু বি টি আর লৈঙাক্না চাউখৎনবা কন্না হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী রিসোর্ছ পূম্নমক শীজিন্নদুনা পর কেপিটা ইনকম অমদি জি দি পি হেনগৎনবা কন্না হোৎনরিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদসু মরিক চুম্না পাউদমখি।

# নাগালেন্দ মোন দিষ্ট্রিক্ট মীহাৎকী রিপোর্ট সবমিট তৌরগনি

কোহিমা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
হৌখিবা দিসেম্বর ৪ অমসুং ৫দা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীচম ১৪ হাৎখিবগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী রিপোর্ট ফোরেন্সিককী রিজল্ট ফংলবা মতুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পীশিল্লগনি হায়না লাইবক থীরবা থৌদোক অসিবু থিজিন্নবা শেমখিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) গী পাউ অমনা হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা থিজিন-হুমজিনবা অসিগা মরী লৈননা মীচম ৮৫ অমদি সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৭ এগজামিন তৌখ্রে হায়না নাগালেন্দ লৈঙাক্কী এদিসনেল দি জি পি (লো এন্দ ওর্দর)গী পাউ অমনা হায়রি।

স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না থৌদোক থোকফমদা কয়ারক হন্না চৎতুনা য়েংশিনবা লৈখ্রে। লোয়ননা ব্লদ সেম্পলসু গুৱাহাটি অমদি হায়দরবাদতা লৈবা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিশিংদা থাখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর থাদা টিরু ভিলেজদগী পিক অপ ভেন অমদা লেবর ময়াম অমা তোংদুনা লাকপা মীচম ১৪বু সিক্যুরিটি ফোর্সনা লালহৌবা নহারোলশিংনি চিংনদুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

# মিজোরামগী ঙহালিমলুইদা নুপী অমগী অশিবা হকচাং ফংলে

আইজোল, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):
মিজোরামগী লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ঙহালিমলুই খুঙ্গংদা লৈবী নুপী অমা মহাক্কী ইশ্বোল মনুংদা শিদুনা লৈরম্লে।

নুপী অসিগী মমিং সাদিন মেলা কৌই। মহাক হৌখিবা জন্যুৱারী ৬তগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। নুপী অসি রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎপীবা ওইরমগনি হায়না পাউগী লীখুন অসিনা হায়রি। নুমীৎ কয়ানি হোৎনরবসু থিবা ফংদনা লৈরুরগা ইরাই নুমীৎতা মহাক্কী মনা-মশিং থাবা ইশ্বোল মনুংদা শিনা ফংখিবনি। কেস অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথুরি।

অদুবু অমরোমদা মিজোরাম অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ক্রাইম রেটতা নেম্বা ষ্টেট অমনি হায়না লৌনরিবনি। কুমজা ২০২০গী রিপোর্টকী মতুংইন্না মিজোরামদা রেপ কেস ৩৩ খক থেংনখিবনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগী চাং য়াম্না নেম্বা ষ্টেট অমনি হায়না লৌনরিবনি।

ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ/খোঙ হাম্নিংবা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, খ্বাঙ অমদি পূকচেপ য়াম্না কন্না নারগা অমাংবদা ঈ য়াওরকপা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবসু য়াওবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, খোঙ হাম্বা চঙবা মতমদা অকনবা ওইনা হাল্লগা অমাংথোঙ মপান্দা তৎলগা য়াম্না নাবা, খঙহৌদনা হেক্তা হামদোকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খ্বাঙ অমদি পূকচেপ য়াম্না কন্না নারগা অমাংবদা ঈ য়াম্না য়াওরকপা, মনাঙসু য়াম্না য়াওরকপা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপসু য়াওবা, খ্বাঙ অমদি পূকচেপ নারগা অমাংবদা ঈ য়াওরকপা অমদি দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অদুসু ফখিবা, খোঙ হাম্নিংবা মতমদা কুইনা খাঙবা ঙমদবা, খঙহৌদনা হেক্তা হামদোরকপা, শাঙা চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা নুংঙাইতবা অমদি অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, খ্বাঙ নাবা অমদি পূকচেপ নাবা হৌরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাঙমুক শাংনা ইন্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, মতম খরগী মতুংদা খোঙ হাম্বা মতমদা তাঙমুক শাংনা নাম্থরকপা অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদসু চাওথোকপা, চৎপা মতমদসু নাম্থরকপা, খোঙ অহানবা হাল্লকপা মতমদা অহানবা থোক্লকপদা অকনবদু ওইনা থোক্লগা অমাংথোঙ মপান্দা খেতৎলগা থোক্লকপা, য়াম্না নাবা অমদি চিকপা, কোন্না থোক্লকপা অমাংবদু অথোৎপা ওইনা থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা অহানবা হাল্লকপা খোঙ অদু অকনবা ওইনা থোক্লকপা অদুদা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **Th. Chandrajini Devi**
Keishamthong

HL-B/7385/15

ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মী পামজৈ

(১) দ্রাইভর অমা (Light Vehicle)
(২) Tyre Fitting হৈবা অনী।
(৩) Helper অমা।
(৪) ইশ্বোল কোইবা হৈবা অমা,
লৈবগী খূদোংচাবসু লৈগনি।

Pay : Negotiable

NB:- পাম্বীবশিংনা মশাগী Bio-data, Passport Photo অনী, লৈকায় ক্লবতগী verify অইবগা লোয়ননা মখাগীসিদা থাজিনবীরকউ। নিশা চাদবা, চাং-নাইনা লাকপা ঙমগদবা মীওই ওইগদবনি।

**Sd/- BRIDGESTONE SELECT**
Uripok Achom Leikai, Imphal West,
# 0385 2411228

HL-P/1299/13,15,17

**LOKTAK APUNBA NGAMEE SHINMEE LUP**

ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

পোৎশংবমদগী থাঙ্গ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ঙামী শিন্মীশিংগী লূপ অসি গভর্ণমেন্টতা রেজিষ্টর তৌনবা হায়দুনা অমত্তা ওইনা য়ানখিবনা এসোসিএসন অসি অথুবদা রেজিষ্টর তৌজরগনি। রেজিষ্টর তৌবা অসিদা য়ানিংদবা, য়েৎপীনিংবা অমদি মোত পীবীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৫/০১/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ পীবীয়ু। পীজরিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা এসোসিএসন/লূপ অসিনা লৌজরোই।

# 6009639252, 8414004266, 8131077807

Sd/- **H. Kumar Meitei**
Secretary
Loktak Apunba Ngamee Shinmee Lup

HL-P/1424/15

ꯑꯜꯂꯥꯍꯅꯥ / **ALLAHNA CHANBISANU**



SUDHAKAR (SHAMU)

Sagolband Khamnam Leirak, Imphal (I.T.I) manakta leiba nungi layengba baba Nabakishore Padma Shri Awardee (Medicine)gi Machanupa Laishram Sudhakar (Shamu) Herbal Physician Specialised in Urinary Stone na Babagi mahut shinduna layengbibadagi eigi Kidney da leiba nung tahanbire. Masigidamakta nungaijaduna ebung Sudhakarbu Paochegi thongda nungaiba phongdokchari. Mahakpu mapunashu chanbiba oirasanu. Aamin.

Sd/- **Reshma Sheikh**
Kiyamgei Takhok Mapa

HL-P/1411/14,15,16



চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী পটলেন্দ খুলগী চীংশাং নাপোমদা থারম্বা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পোপী পান্বীশিং কম্বাইন্দ টিমনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনবা

# CROSSWORD-3417



**ACROSS**

1 Platform for 1 public speaking (7)
5 Powdered tobacco for inhaling (5)
8 Clothe (5)
9 Putting through a sieve (7)
10 Institute of higher education (7)
11 Brief (5)
12 Erase (6)
14 French brandy (6)
18 Frenzied (5)
20 Poker-faced (7)
22 Be on your guard (4,3)
23 Ernie (anag.) - girl's name (5)
24 Enclosed kitchen fireplace (5)
25 Asses (7)

**DOWN**

1 Slimmed down (7)
2 Expand (5)
3 Look up to (7)
4 Edible shellfish (6)
5 Long upholstered seats (5)
6 Fabulous animal (7)
7 Combat (5)
13 Assassinated US president (7)
15 Formal speech (7)
16 Own up (7)
17 Prepared for publication (6)
18 Back tooth (5)
19 Routine task (5)
21 Portion (5)

**Solution 3416**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3816

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | | | 3 | | | |
| 8 | | | | 1 | 4 | | 5 | 7 |
| | | | 6 | | | 2 | 4 | |
| | | 4 | | 8 | 7 | | | |
| 3 | | | 4 | | 5 | | | 2 |
| | | | 1 | 6 | | 4 | | |
| | 8 | 1 | | | 6 | | | |
| 5 | 4 | | 7 | 3 | | | | 1 |
| | | | 5 | | | | 9 | |

## Solution-3815

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 9 | 1 | 8 | 5 | 7 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 8 | 7 | 6 | 9 | 1 | 3 | 2 |
| 7 | 1 | 6 | 3 | 4 | 2 | 5 | 8 | 9 |
| 9 | 2 | 1 | 4 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 8 |
| 4 | 8 | 3 | 6 | 5 | 7 | 9 | 2 | 1 |
| 8 | 7 | 4 | 5 | 9 | 6 | 2 | 1 | 3 |
| 1 | 9 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 5 | 6 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 1 | 4 | 8 | 9 | 7 |

# EMPLOYMENT NEWS

## MANIPUR UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR RESEARCH ASSISTANT RECRUITMENT 2022

Research Assistant
Job Location:
Canchipur , Imphal, 795003 Manipur
Last Date: 15 January 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Job Role Research Assistant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience 1 - 2 years
Salary 8000 - 15000(Per Month)
Posted on 12 Jan, 2022

**Walkin Date 15 Jan, 2022**

Educational Qualification: M.A
Research officer (R.O), and ns are invited from eligible candidates for the posts of 1(one) Research Officer (R.O), and two (2) Research Assistants for the NWC funded project entitled No. Soc/NWC/09/2021/002: Applications are fitted from eligible candidates for the posts of 1(one) "Women-led enterprises in Manipur and challenges to their scalability" on a contract basis through walk-in-interview on 15/01 and challenges to their scalability on a contract basis through University.
1. Post Name: Research Assistant
2. Essential Qualifications: Research Assistants: M.A with min.ss% (Sociology/Social Work), preferably with NET/JRF.
3. Salary: 8000
4. No. of Post: 01
Pay Scale:
INR 8000 - 15000(Per Month)
Age Limit:As Per Rules Age
Selection Procedure
Selection Will be Based either Written Exam/Interview
How to Apply:
1. Walk-in-interview on 15/01/2022 (11 a.m. in the Office of the Dean of SouarUenes Vaupu University.
2. Interested candidates may submit applications and bio-data via e-mall rita_takhel@yahoo.com.
Important Dates:
Published on: 12 January 2022
Last date for application is: 15 January 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE, NE REGION INVITES APPLICATION FOR PROJECT TECHNICIAN III RECRUITMENT 2022

Project Technician III
Job Location:
REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NORTH EAST REGION
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 01 February 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Job Role Project Technician III
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Dibrugarh
Age Limit 30 Years
Experience 2 - 5 years
Salary 18000(Per Month)
Posted on 13 Jan, 2022
Walkin Date 01 Feb, 2022
Educational Qualification: DMLT
ICMR-RMRC, N. E. Region intends to engage following Non-lnstitutional project human resource positions, purely on temporary contract basis for its short-term research projects, being undertaken at ICMR-RMRC, N. E. Region.
1. Post Name: Project Technician Ill (Laboratory Technician)
2. No of Posts: 01
3. Qualification: 12th pass in science subjects with two years diploma in Medical Laboratory Technology Or 12th pass in science subjects with One year DMLT plus one year relevant experience in a recognized organization
Pay Scale:
INR
18000(Per Month)
Age Limit: 30 Years
Selection Procedure
Selection Will be Based either Written Exam/Interview
How to Apply:
1. Date of Walk-in 01st February 2022
2. Eligible candidates may walk-in for interview/written test and submit their applications in the prescribed format, duly filled in all respects along with all required supporting documents and certificates, duly self-attested, at the office on the day of the interview/written test, i.e. up to 10:30 hours on the said date.
3. Late / Delayed / Incomplete/ Unsigned applications will not be considered and rejected straight away without any correspondence. Candidates are therefore advised to submit their applications well in time without delay.
4. ICMR/lnstitute/Centre will not be responsible if candidate fails to submit their application within time for any reason,,Applications received within the stipulated date, time and complete in all respects will only be considered for screening to shortlist candidates for further process of engaging the above scientific project human resource positions.
5. Candidature of successful candidates shall be subject to verification of all original documents by ICMR and fulfillment of required eligibility criteria in all respects of qualification, age and experience, etc.
Important Dates:
Published on: 13 January 2022
Last date for application is: 01 February 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




